# আই এ এস ৫ অমসুং এম সি এস ওফিসার ২৭ গী ফম হোংদোক হোজিন তৌখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ৩১ (এস এন এস)ঃ মণিপুর লৈঙাক্কী তোঙান তোঙানবা দিপার্টমেন্টশিং পায়রিবা আই এ এস ওফিসার ৫ অমসুং এম সি এস ওফিসার ২৭ কী ফম হোংদোক হোংজিন তৌখ্রে।

লৈঙাক অসিগী চীফ সেক্রেটরী ডা. জে সুরেসবাবুনা থোকখিবা য়াথং অমগী মতুংইন্না পি ব্রাইফে আই এ এসনা প্রিন্সিপাল সেক্রেটরী টেক্সটাইল, কম্মর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রিজ অমসুং কম্মিস্নার দিপার্টমেন্টেল ইনক্বারি পায়রগনি, ঐচ জ্ঞানপ্রকাশনা কম্মিস্নার কম সেক্রেটরী রেভিন্যু, কোওপরেসন অমসুং এস সি ই আর টি পায়রগনি, এম হরেকৃষ্ণনা কম্মিস্নার কম সেক্রেটরি ট্রান্সপোর্ট, হোর্টিকলচর এন্দ সোইল কঞ্জার্ভেসন অমসুং মেম্বর সেক্রেটরী ইবাদা অমসুং বি আর দি ভি বি ওইরগনি। খোলিয়া লোরহোনা স্পিসিয়েল সেক্রেটরি হয়ার এন্দ টেক্নিকেল এদুকেসন অমসুং এস সি ই আর টি পায়রগনি। লোয়ননা এ সুভাস সিংহনা জোইন্ট সেক্রেটরি দি পি অমসুং মেনেজিং দাইরেক্টর এম এস সি বি ওইরগনি।

নৌনা ট্রান্সফর তৌখ্রবা এম সি এস ওফিসার ২৭ অদুদি রঞ্জন য়ুম্নামমনা ইন চার্জ দাইরেক্টর সি এ এফ এন্দ পি দি, জোইন্ট সেক্রেটরী সি এ এফ এন্দ পি দি মতঅসুং প্রোজেক্ট দাইরেক্টর এম দি এস পায়রগনি। কিমজালহাই কিপগেননা জোইন্ট সেক্রেটরি দি পি অমসুং ও এস দি রুসা পায়রগনি, এন বঙ্কিম সিংহনা এদিস্নেল দিপ্যুটি কম্মিস্নার জিরিবাম অমসুং সি ই ও জেদ পি জিরিবাম, কে ঐচ লিয়াফি রিটানা দাইরেক্টর রিলিফ এন্দ রিহেবিলিতেসন অমসুং দাইরেক্টর রিলিফ এন্দ দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট পায়রগনি।

ঐচ বোবি শর্ম্মনা সি ই ও জেদ পি বিষ্ণুপুর অমসুং প্রোজেক্ট দাইরেক্টর দি আর দি এ বিষ্ণুপুর, লাইশ্রম মনিকান্ত সিংহনা এদিস্নেল দিপ্যুটি কম্মিস্নার মোরে, এম দি ফিরোজ খাননা দিপ্যুটি সেক্রেটরী এগ্রিকলচর, থাঙবোই গাঙতেনা এদিস্নেল দিপ্যুটি কম্মিস্নার চুরাচান্দপুর অমসুং প্রোজেক্ট দাইরেক্টর দি আর দি এ চুরাচান্দপুর, রোজি রাজ কুমারনা দিপ্যুটি সেক্রেটরী আই টি অমসুং কাদা, সেলমিঙ্থাং লেঙ্থাংনা এস দি ও–বি দি ও আইলেন্দ, অধাহরি মাহিওনা এস দি ও–বি দি ও পাউমাতা, অলফ্রেদ জমালালুন খৌতেনা এস দি ও–বি দি ও সাইকোট অমসুং এস দি ও –বি দি ও মুআলনম পুরগনি।

সৈখ অব্দুল হেলিম সৈখ অব্দুল হেকিমনা এ ও কম্মর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রিজ, কে জদুমসি সিংহনা বি দি ও বিষ্ণুপুর ওইরগনি। ঐচ এল জেইননা এস দিও–বিদিও কামজোন অমসুং দি ও বিদিও সহমফুং পায়রগনি।

খাইখোপাউ ঙাইতেনা এ সি টু দি সি চুরাচান্দপুর অমসুং এস দিও–বিদিও সুআংদো পায়রগনি। জেমস দৌজাপাও হাউকিপনা এ ও পি ঐচ ই দি অমসুং এদুকেসন য়ু পায়রগনি। মাঙমিনলিয়ান ৱাইফেনা এস সি টু দি সি কাংপোকপী, কে ঐচ তোম্পোক সিংহনা অন্দর সেক্রেটরী হোম অমসুং এসিষ্টেন্ট প্রোটোকোল ওফিসার ওইরগনি।

এস সুরচন্দ্র সিংহনা এদ দি ও বিষ্ণুপুর, চিরোম সোমোরেন্দ্রো সিংহনা এস দি ও মোইরাং অমসুং বি দি ও মোইরাং পুরগনি। লিয়ানমিঙ্থেং সামতেনা এস দি ও। বি দিও চুরাচান্দপুর অমসুং বি দিও লানভা ওইরগনি। এম দি গ্যাসউদ্দিন খাননা এস দি ও–বিদিও বুংটে চিরু, পি দুনা দুওনা এস দি ও–বি দি ও সোংসোং, কাইগৌলাল কিপগেননা এ সি টু দি সি ইম্ফাল ইষ্ট, সোলোমোন লালনৈলিয়ান ফিমাটেনা এস দি ও–বিদিও কাঙবাই অমসুং এস দি ও–বিদিও তুইবোংসু পুরগনি, শগোলশেম ইন্দ্রজিৎনা এস দিও–বি দি ও জিরিবাম অমসুং এস দি ও–বি দি ও বোরোবেক্রা পায়রগনি।

# ফল হায়দোক্তবগী খোঙজং লাক্কদৌরি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ৩১ (এস এন এস) ঃ চীফ মিনিষ্টরনা থা তরুক্কী মনুংদা আই আর বি লৌবগী থবক থৌরম লোয়শিনগনি হায়বগী থাজবা পীখ্রবসু ১০ অমদি ১১ শুবা বাট্টালিয়ন রেক্রুটমেন্টদি ঙসি ফাওবা লোয়শিনদবা অমদি থৌৱা শাদনা লৈবা অদুগী মায়োক্তা দেমোক্রেটিক ওইবা খোঙজং কয়া চঙশিল্লগনি হায়না দিমান্দ কম্মিটি স্পেপদি কমপ্লেসন ওফ আই আর বি ১০/১১ রেক্রুটমেন্ট (দি ই সি ও এস ও, আই আর বি ১০/১১) গী কনভেনর মেথিয়ু বোনমৈনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি খুদক্তা রিট্টন টেষ্ট পাঙথোকউ, রিক্রুটমেন্টগী থবক লোইশিল্লু অমদি প্রাইম মিনিষ্টরনা ভিভা ভোইসকী চাংয়েং তৌদনবা হায়রকখিবা থৌশিল অদু মণিপুরদা চংনহল্লু হায়বগী দাবি তৌদুনা কৈশাম্পাৎ লৈমাজম লৈকাই কম্যুনিটি হোলদা লুপ অসিগী মেম্বর কয়া অমনা চংখিবা সিট–ইন প্রোটেষ্টকী খোঙজং অমদা ঙসি ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্না মখা তানা হায়, আই আর বি লৌবগী রিট্টন টেষ্ট পাঙথোকপীনবা হায়জদুনা লাকপগী মনুং চন্না হৌখিবা ওগষ্টকী তাং ১৬ তা চীফ মিনিষ্টরদা মেমোরেন্দম অমা পীশিন্দুনা ওগষ্ট ২১ ফাওবগী মনুংদা চপ চাবা অমা খঙহনবীনবা তকশিন্দুনা লাকখিবনি। অদুম ওইনমক ঙসি ফাওবা পাউখুম অমত্তা পীবিদ্রে।

আই আর বি লৌবগী রিট্টন টেষ্ট অদু চহী অসিগী মার্চ ১৬ তা অহানবা ওইনা তৌগনি তৌরম্বদগী জুন ১৫ দা য়ৈথোকখিবনি। লোয়ননা অমুকসু য়ৈথোক্তুনা ওগষ্ট ৫ দা পাঙথোক্কনি হারম্লা অদুদা ঙসি ফাওবা মতম কক্তনা য়ৈথোকপীদুনা লৈরে। লোয়ননা চীফ মিনিষ্টরনদি থা ৩ দগী ৬ ফাওবগী মনুংদা লোইশিনগনি হায়বগী থাজবা পীরকখিবসু লৈরবনি হায়না মহাক্না মখা তখি।

ষ্টেট অতেগী ওইনদি আই আর বি লৌবগী থবক থৌরম অদু লোইশিনখ্রবনি। মরম অসিনা সেপ্টেম্বর ৫ ফাওবগী মনুংদা রিট্টন টেষ্ট অদুগী মতম লেপথোকপগা লোয়ননা নোটিশ থোক্কদবনি। করিগুম্বা মতম অদু ফাওবদা নোটিশ থোকপা ঙমদ্রবদি মথংগী নুমিৎ সেপ্টেম্বর ৭ তগী হৌনা জে এ সি অমদি লৈবাক মীয়ামগা লোয়ননা বন্দ য়াওনা মখল কয়াগী খোঙজংশিং চঙশিল্লগনি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

# ‘কাংলূপ মশেলগী মরক্তা নুংশিন্নদবা লৈহল্লোইদবনি’

ইম্ফাল, ওগষ্ট ৩১(এস এন এস)ঃ ধর্ম্ম হায়বা অসি মীওইবা জাতি অমসুং অফবা লম্বীদা চৎপা ঙম্নবা ধর্ম্ম হৌদোকখিবশিংনা শেম্লবনি। মরম অসিনা ধর্ম্মনা মরম ওইরগা কাংলূপ মশেলগী মরক্তা নুংশিনদনবা লৈহল্লোইদবনি হায়না এদুকেসন মিনিষ্টর টি ঐচ রাধেশ্যামনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি হোটেল ইম্ফালগী সঙাই হোলদা পাঙথোকখিবা মণিপুরগী অমত্তা ঙাইরবা মহৈরোই নুপীশিংগী ওইবা ওল মণিপুর মুস্লিম গার্লস ইদুকেসন য়ুনিয়ন (এ এম এম জি এস য়ু) গী ১১ শুবা ফাউন্দেসন দেগী থৌরম অমদা ফোঙদোকখিবনি।

থৌরম অদুদা মণিপুরগী এদুকেসন মিনিষ্টর থোকচোম রাধেশ্যামনা চীফ গেষ্ট, মণিপুর কলেজগী রিটায়র্দ প্রিন্সিপাল এল সদানন্দা, বোর্দ ওফ এদুকেসন মণিপুরগী এদুকেসন সেক্রেটরী ডা. চীথুং মেরি থোমাস অমদি দি দি য়ু সেন্টর ফোর খৌসাল দি এম কলেজ ওফ সাইন্সকী দাইরেক্তরনা গেষ্ট ওফ ওন্নর অমসুং ওল মণিপুর মুস্লিম গার্লস ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (এ এম এম জি এস য়ু) গী প্রসিদেন্ট আর চৌধুরিনা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা মিনিষ্টর টি ঐচ রাধেশ্যামনা হায়, ঐখোয়না ঐখোয়গী পূন্সিগী পান্দম মশক খঙদোক্তুনা চৎপা মতমদা সোয়দনা মায় পাকপা ওইগনি। ইন্দিয়া হায়বা লৈবাক অসি কিলোমিটর খুদিংগী লোন, লাইনিনং অমদি চৎনবীদা অহোংবা উরিবনি। মরম অসিনা কাংলূপ অমনা অমবু লক্নরকপা মতমদা ওনশিন্দুনা শাওনরোইদবনি। অশাওবা হায়বসি অশোনবনি, মরম অসিনা ঐখোয় থৌনা লৈনা হোৎনদুনা খুরৌ কয়া থেংনদুনা মায়পাকপা ওইনবা হোৎনগদদবনি। মায়থিবা হায়বা অসি মায় পাকপগী লম্বী নকশিনবা হৌরক্লবনি। অদুনা মায়থিবগীদমক কিদুনা চেল্লোইদবনি।

ঈশ্বরগী মনাক য়ৌবা হায়বদি অৱা অনা অশোনবশিংগী সেবা তৌবনি। মহৈরোইগী লূপশিং অমদি মীয়াম্নসু লৈকাই লৈকাইদা অৱা অনা মহৈ তম্বা ফঙদবা অঙাং কয়া লৈরি হায়বনচিংবা থিদোক্তুনা লৈঙাক্না থাদরকপা স্কিমশিংগী কান্নবা পীনবা হোৎনসি হায়খি।

# লন্নাই এম সিদা মওং মরিল তাদবা থবক কয়া...

*লমায় ১গী মখা...* বিনিফিসিয়ারিশিং অসি বেঙ্কতগী শেল লৌথোক্লগা সেল্ফ চেকতা দি দি ওনা লুপা ৫০,০২,১৩৯ কায়থোক্লম্বা থেংনখিবনি হায়রি।

কাউন্সিল অসিগী ওইনা তোল তেক্স খোমগৎপগী মতাংদা মওং মরিল তানা থবক চথরমদবা থেংনখি। কাউন্সিল অসিগী ওইনা তোল তেক্সকী থবক অসি ওপন মার্কেট তেন্দর তৌদবীদা কাউন্সিলগী রিজোল্যুসন অমগী মতুংইন্না থা অমদা লুপা লিশিং ২০গী চাংদা কাহল্লগা এম এস শ্যামসুন্দর এন্টরপ্রাইজ কৌবা ফার্ম অমদা থা ৬কী ওইনা পীথোক্লমখি। লোয়ননা থবক অসি থা ৬ কী ওইনা পীখিবা ওইরবসু ঙসি ফাওবা টোল টেক্স খোম্বগী থবক অসি হায়রিবা ফার্ম অসিনা চথরি হায়রি।

অমরোমদা ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল অসিগী ওইনা লুপা ৩১,১৫৬ অরানবা মওংদা শিজিন্নখ্রবা হায়বগী চীংনবা লৈ। কুমজা ২০১৭কী মার্চ থাগী অরোইবা নুমিৎ তাং ৩১ ফাওবদা এন য়ু এল এম আই ই সিগীদমক এলাহবাদ বেঙ্ককী একাউন্ট নম্বর ৫০০৯১৮৪৫২৯–১ অসিদা শেল ওইনা লুপা ৩১,০৫৬ অসি লেম্লগা লৈরমখি। লোয়ননা একাউন্ট অদু হায়রিবা নুমিৎ অসিদা ক্লোজ তৌখি। লোয়ননা অনৌবা কেস বুক অমা কুমজা ২০১৭কী ওগষ্ট ৪ দা জেরো বেলেন্সতগী হাংদোকখি। লোয়ননা মমাংদা লেমহৌখিবা লুপা ৩১,০৫৬ অদু মফম খঙদনা লৈরম্বা থেংনখি। ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল অসিগী ওইনা ১৪ শুবা ফাইনান্স কম্মিসনগী এৱার্দ, জেনরেল বেসিকগ্রান্ট ২০১৬–১৭ গী মখাদা লুপা ৮,৯২,০০০ মাহুদ দিপার্টমন্টেনা গ্রান্ট ইন এইদ ওইনা শেল পীখি। অপুনবা শেনফম অসিগী চাদ ২৫ হায়বদি লুপা ২,২৬,০০০ অসিনা ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী থাক্তা শিজিন্নরগা লেমহৌরিবা চাদ ৭৫ অদুনা কাউন্সিল অসিগী ৱার্দ ৯ দা প্রোগ্রাম পায়খৎনবা থাদগদবনি।

অদুবু চাদ ৭৫গী শেনফম লুপা ৬,৬৬,০০০ অসি ৱার্দ দিপভলপমেন্ট কম্মিতিদা ইলেক্ট্রোনিকেল্লি ট্রান্সফর তৌগদবদু শেল ওইনা কায়থোক্লম্বা থেংনখি। মসিমক লৈঙাক্কী পাউতাক অমসুং মণিপুর ম্যুনিসিপালিতি কম্যুনিতি পার্টিসিপেসন এক্ট, ২০১০ অদুবু ইকাই খুম্নদবনি হায়রি। মাষ্টররোল লেবররশিংদা খুৎশুমন পীবা মতমদা ফোর্ম সিপিদব্লিউ এ–২১ দা পীরমখিদে হায়রি। মরম অসিনা ১৪ শুবা ফাইনান্স কম্মিসন এৱার্দ অসি মওং মরিল তাদনা শিজিন্নখিবগী মমি চাউনা তারে হায়রি।

মসিদা নক্তনা ৩ শুবা ষ্টেট ফাইনান্স কম্মিসনগী এৱার্দকী মখাদা মাহুদ দিপার্টমেন্টনাং ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল অসিদা লুপা ১১,৬৬,৭১০ পীরকখি। হায়রিবা শেনফম অসিগী চাদ ৭৫গী শেনফম লুপা ৬,৫৫,৪৯৭ অসি ৱার্দ অমদা লুপা ৭২,৮৩৩গী চাংদা ৱার্দ দিভলপমেন্ট কম্মিতিদা ৱার্দশিং ফগৎহন্নবগীদমক ইলেক্ট্রোনিকেল্লি ট্রান্সফর তৌগদবনি। লোয়ননা লেমহৌরিবা চাদ ২৫গী শেনফম লুপা ১,৭৩,৫০৩ না ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী খুখাংদা শিজিন্নগদবনি। অদুবু দব্লিউ দি সি শিংদা ইলেক্ট্রোনিক ট্রান্সফর তৌরগা পীগদবা শেনফম অদু শেল ওইনা লৌথোক্লগা পীরমখিবনি হায়রি। লোয়ননা ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল অসিনা শেনফমশিং অসি শিজিন্নবগা মরী লৈননা চে চাংশিং পুথোকপা ঙমখিদে হায়রি।

মসিগা লোয়ননা কাউন্সিল অসিগী মখাদা লৈরিবা ৱার্দ দিভলপমেন্ট কম্মিতিশিংনা কেস বুকশিং মপুং ফানা মেন্টেন তৌরমদবা থেংনখি হায়না পাউ অসিনা মখা তারি।

# প্লাষ্টিক বোট্টনদা অশাবা পোৎ হাপ্লগা থকপা ...

*লমায় ১গী মখা...* ফূদ গ্রেদ ওইনৎত্রগা ওইদে হায়বগী চপ চাবা মার্কিং অমা লৈতবা অমদি করম্বা কম্পনিনা শাবনো হায়বনচিংবা চপ চানা অকূপ্পা মরোল খঙদবনিনা য়ারিবমখৈ শীজিন্নবীদবনা হেন্না ফৈ হায়নসু মখা তানা হায়খি।

ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা লৈবাক অসিদা সিঙ্গল ইয়ুজ প্লাষ্টিক্কী পোৎলম তরুক থিংলগনি হায়না লৌরিবা ফীরেপ অসিগী মতাংদা সেন্ট্রেল ইন্সটিট্যুট ওফ প্লাষ্টিক ইঞ্জিনিয়ারিং এন্দ টেক্নোলোজিগী প্রিন্সিপাল দাইরেক্তর এন্দ হেদ টিঐচ ইবোতোম্বা সিংহনা পাউচে অসিদা ফোঙদোরকপদা, লৈঙাক্না সিঙ্গল ইয়ুজ প্লাষ্টিক্কী পোৎলমশিং থিংঙ্গনি হায়না পায়খৎলক্লিবা খোঙথাং অসি য়ান্না ফৈ। অদুবু হীরম খুদিংমক্তা প্লাষ্টিক্কী পোৎলমশিং শীজিন্নবগী হৈনবী লৈখিবা মীয়াম অসিনা পোৎলমশিং অসি শীজিন্নবা তোকপা ঙমগদ্রা হায়বসি হংবা য়াবা ৱাহং অমদি ওইরি।

ঐখোয়না প্লাষ্টিকপু য়ান্না ফত্তবা পোৎশক অমা ওইনা উবসু লানগনি। ফজনা নিয়ম চুন্না শীজিন্নবীরবা, মফম চানা হুন্দোকপীরবা অমদি নীংথিনা রিসাইকল তৌবীরবদি য়ান্না কান্নবা পোৎশক অমনি। নৌনা রিসাইকল তৌথোক্লবা প্লাষ্টিককশিং অসি ঐখোয়না শেৎলি–চারিবা ফিজোলদগী হৌরগা কোইলাস থাবা ফাওবদা শীজিন্নবা য়ারিবনি। মসিনা ইন্দষ্ট্রি কয়া অমসু লিংখৎতুনা ইন্টরপ্রিন্যর কয়া পুথোকপদা অমদি শেন্মীৎলোন্দা চাউনা মতেং পীবা য়ারিবনি। অদুবু লমদম অসিগী মীয়ান্না পোৎলমশিং অসিবু মরম চানা শীজিন্নবীদবা অমদি মফম চানা হুনদাকপীদবা অসিনা মীওইবগী হকচাংদা অমদি অকোয়বগী ফীভমদা অকায়বা কয়া অমা থোকহল্লি। মসিদা লৈঙাক্নসু পোৎলমশিং অসিবু নীংথিনা মরম চানা শীজিন্ননবা পোলিসি শেম্বীবা অমদি পোলিসি অদুবু ঙাক্না চখননবা থবক পায়খৎপসু খরা ৱাৎনা থোক্লি। মসিনা লমদম অসিদদি পোৎলমশিং অসি থিংজিনখিবনা হেন্না ফরে হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

পনবা য়াবদি, মণিপুরগী ওইনদি ড্রাই ষ্টেট অমা ওইজরবসু মপানদগী পুশিল্লকপা অমদি মফম অসিদা শুংজবা য়ু মরাঙ কায়না অদুমক পাক–শন্না ফংলি। হিদাক মনাগী পোৎলমশিং অথিংবা লৈরবসু লমদম অসিগী দুকান খুদিংমক্তা মরাঙ কায়না ফংবনা মীয়ান্না শীজিন্নরি। হৌখিবা কুমজা ২০১৭ গী সেপ্টেম্বর ১২ দগী মণিপুর গভর্ণমেন্টনা ৫০ মাইক্রোনদগী তাবা প্লাষ্টিক বেগ শীজিন্নবা থিংলবসু লমদম অসিদা অদুম্মক পাক–শন্না শীজিন্নরি। অসিগুম্বা লৈঙাক্কী অথিংবা কয়া লৈরবসু চৎনবা ঙমদনা অদুমক চখদুনা লৈরিবা লমদম অসিদা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা মীওইবগী হকচাংদা অমদি অকোয়বগী ফীভমদা শোকচিল্লক্লিবা কয়া অসিবু খরতা ওইরবসু কন্ননবা থৌশিল ওইনা পায়খৎলক্লিবা সিঙ্গল ইয়ুজ প্লাষ্টিক্কী পোৎলমশিং থিংবগী ফীরেপ অসি লমদম অসিদদি কয়াম য়ান্না মায় পাক্না থবক্তা ওন্থোকপা ঙমগদগে হায়বসি মীয়ান্না তক্তনা হংনরক্লিবা ৱাফমনি।

## ৱাটর টেঙ্ক য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ৩১ (এস এন এস)ঃ সিভিক এক্সন প্রোগ্রামগী মনুং চন্না ৬৯ শুবা বট্টালিয়ান সি আর পি এফ মন্ত্রিপুখ্রিনা ঙসি মন্ত্রিপুখ্রি, চীংমৈরোং অমদি ইম্ফাল ইষ্টদগী খনগৎলবা বিনিফিসরিশিংদা লিটর ৫০০ গী ৱাটর টেঙ্ক য়েন্থোকখ্রে।

কোন্থা খাবমদা লৈবা ইবুধৌ মার্জিং শঙলেন্দা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা ৬৯ শুবা বট্টালিয়ান সি আর পি এফ মন্ত্রিপুখ্রিগী সি ও ডা. ওমকার নাঠনা হায়খি, ৬৯ শুবা সি আর পি এফ বট্টালিয়ানগী মীৎয়েং মখাদা অনীরকশুবা ওইনা পাঙথোকখিবা সিভিক এক্সন প্রোগ্রাম অসি মরু ওইনা সি আর পি এফ অমদি মীয়ামগা অফবা মরী অমা শাগৎনবা লোয়ননা পুলিস অমদি মীয়ামগী মরক্তা লৈরিবা গেপ অদু মাংহন্নবনি হায়খি।

মহাক্না মখা তানা, ষ্টেট অসিদা চহী অসিদা নোং তাদবনা মরম ওইরগা মীয়াম্না ঈশিংগী অৱাবা অমা মায়োক্নরিবা অসি খরদং ওইরবসু হন্থনবা লোয়ননা ঈশিং মাংহনদনা থম্নবা ৱাটর ষ্টোরেজ টেঙ্ক অসি খূৎশিন্নবনি। মখা তানা সি আর পি এফ না মীয়ামগী অৱাবা খুদোং চাদবশিং কোক্নবা পাংবা য়াবা মতেং পাংগনি হায়খি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা ৬৯ শুবা সি আর পি এফ মন্ত্রিপুখ্রিগী সি এম ও য়াওনা মকোক থোংবা ওফিসারশিংনা শরুক য়াখি।

## লোত্তুনা থন্নবা...

*লমায় ১গী মখা...* থাংখোচোন হাওকিপ অনীগী মীৎয়েং মখাদা দিষ্ট্রিক্ট পুলিস অসিগী দিপুটি এস পি (সি দি ও–টু) কেঐচ হেরোজিৎ দিপুটি এস পি (সি দি ও) ৱাই জিভন অনীগী সুপরভিজন মখাদা কম্মান্দো ও সি ৱাই শক্তিসেননা লুচিংবা কম্মান্দো য়ুনিট অমগা ৫শুবা জে এন্দ কে রাইফলসকী স্নিফর দোগ য়াওবা কম্বাইন্দ টিম অমা চংশিন্দুনা সন্দঙ শেনবা মরিংদা পাক শন্না ওপরেসন চখখি। ওপরেসন অদুদা খুল অদুগী অৱাংথংবা সাইদতা লৈবা লাইরিক তম্নদ্রবা স্কুল অমদা মী লৈবা শামিন ফংখি। স্কুলদুদা চঙশিন্নবা হোৎনবদা স্কুল অদু য়ৌগদবা মিটর ১৬০ রোম ৱাৎলিঙৈদা হৌবা উ পাম্বী অমগী মনাক্তা পোখায়বা য়াবা মচাক খরা ফুমদুনা থন্নবা মফম অমা স্নিফরদা দোগনা খঙবা ঙমখি। মফমদুদা তৌথোক্তুনা য়েংলুবদা য়ান্নবা খূৎশু খূৎলায় কয়া ফুম্নগা লৈরম্বদগী ঙসি নুংথিল পুং ২.৩০ রোম তাবা মতমদা ফাগৎপা ঙমখিবনি হায়রি।

ফাগৎলবা খূৎশু খূৎলাইশিং অদুদি একে ৫৬ রাইফল ২, একে ৫৬ রাইফলগী মেগজিন, একে ৫৬কী কাপ্পা য়ারিবা মরু ১০, মেগজিনগা লোয়ননা নাইন এম এমগী পিষ্টোল ২ অমদি এম ২০ পিষ্টোল ১নি হায়রি। ওপরেসন অদু মখাতানা নুমীদাংৱাইরম পুং ৬.৩০ ফাওবা চখখি অদুবু মীফা মীপুন্দি লৈতে হায়রি।

# নোর্থ ইষ্টর্ন কাউন্সিলগী মীফমদা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিত সাহ য়াওগদৌরি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ৩১(এস এন এস)ঃ লাক্লিবা সেপ্তেম্বর ৪ দা গুৱাহাটিদা পাঙথোক্কদৌরিবা নোর্থ ইষ্টর্ন কাউন্সিল (এন আই সি) গী মীফমদা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিত সাহ শরুক য়াগদৌরি।

মীফম অসিদা চাওথোক চৎশিন অমদি ঈ পাউ ফাওদোক ফাওজিন্দা খুদোংচাদবা কয়া লৈবদগী লৈবাক অসিগী মফমশিংগা য়েংনবদা চাওখৎপগী থাক নেম্না লৈরিবা অৱাং নোংপোক্কী লমদমশিংগা লম্বী থোঙগী ফিভম ফগৎহন্নবা অমদি টেলিকোম সার্ভিসশিংগী মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী মীৎয়েং মখাদা পায়খৎলিবা প্রোজেক্ট কয়াগী ফিভমগী মতাংদা কুপ্না খন্নগনি।

অৱাং নোংপোক্কী লমদমশিংদা হনবা লৈতনা মমাঙ থাদা শিল্লোংদা পাঙথোকখিবা ই–গভর্ণেন্সকী কনফরেন্সতা লমদম অসিদা টেলিকোম কনেক্টিভিটিগী অৱাৎপা লৈরিবা ই–গভর্ণেন্সকী প্রোজেক্টশিং পায়খৎপদা খুদোংচাদবা কয়াগী মতাংদা খন্নখি।

মেঘালয়াগী চীফ মিনিষ্টর কোর্নাদ সংমানা কনফরেন্স অসি হৌদোকপগী ৱা ঙাংবদা হায়, অৱাং নোংপোক লমদমশিংদা টেলিকোম কনেক্টিভিটিদা অৱাৎপা কয়া মরুম লৈরিবনা অনৌবা প্রোজেক্টশিং চৎহনন্নবা হোৎনবদা অচৌবা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নরি।

২২ রক শুবা ই গভর্ণেন্সকী নেসনেল কনফরেন্স অদুদা লৈঙাক্না মতম মতমগী ওইনা হৌদোক্লিবা প্রোজেক্ট কয়াবু মতম চানা লৈবাকসিদা থুংনা চৎনহন্দুনা চাওখৎপা লমদম অমা ওইহন্নবগী মতাংদা খন্নখি।

কনভরেন্স অসিদা অৱাং নোংপোক্কী টিলেকোম দিপার্টমেন্টনা মকোয়না লমদম অসিদা পায়খৎলিবা প্রোজেক্ট কয়াগী মরমদা মীয়ামদা উৎতুনা য়েংহনখি। মসিগী মনুংদা চৎনবা ঙমদ্রিবা অমদি মপুং ফানা চৎদ্রিবা প্রোজেক্টশিংদা হেন্না মীৎয়েং চঙদুনা লমদম অসিদা টেলিকোম কনেক্টিভিটি মপুং ফানা লৈহন্নবা খন্নখি।

কনভরেন্স অসি দিপার্টমেন্ট ওফ এদমিনিষ্ট্রেটিব রিফোর্মস এন্দ পব্লিক গ্রিভান্সেস, মিনিষ্ট্রি ওফ ইলেক্ট্রোনিক্স এন্দ ইনফার্মসন টেক্নোলোজি অমদি মেঘালয়া গভর্ণমেন্টনা পূন্না খূৎশম্নদুনা শিনবনি।

টেলিকোমগী থবক অসিদা অহেনবা মীৎয়েং থম্লকপা অসিনা লাক্লিবা থা অসিগী ৬ অসিগী মনুংদা মীওই লিশিং ৫০ হেন্না থবক পীরবা য়াই হায়রি।

শিল্লোংদা পাঙথোকখিবা কনফরেন্স অদুদা লৌখিবা তোঙান তোঙানবা ৱারেপশিং অদু ইন্দিয়াগী অতৈ অতোপ্পা ষ্টেটশিংদসু থবক্তা ওন্থোক্লবা খন্নখিগনি হায়রি।

# দি সি ওইনা ট্রান্সফর তৌরকপা য়ানিংদে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ৩১ (এস এন এস) ঃ রেলৱে কম্পেন্সেসনগা মরী লৈননা শেঙ্গা থুমজা তৌরম্বগী প্রোসিক্যুসন কেস চখরিবা তামেংলোং দিষ্ট্রিক্তকী হান্না দিপ্যুটি কম্মিস্নার (দি সি) ওইরম্বা এমষ্ট্রোং পামেবু অমুক হন্না দিষ্ট্রিক্ট অসিগী দি সি ওইনা ট্রান্সফর তৌরকপা অসি য়ানিংদে হায়না থৌবে, মরাংচীং ভিল্লেজকী সেক্রেটরী জুয়াংচালুং গাংমৈনা ফোঙদোকখ্রে।

ইম্ফালগী মণিপুর প্রেস ক্লবতা ঙসি নুংথিল পাউমীশিংগা উন্নবা অমদা জুয়াংচালুং গাংমৈনা মরাল শীরদুনা হায় রেলৱে কম্পেন্সেসন অসিগীদমক লমগী চয়েৎনবা লৈদুনা কেস লৈরিবনি। হায়রিবা চয়েৎনবা অসিগীদমক কোর্টনা লমগী মপু লেপত্রিঙৈদা কুমজা ২০১৭ দা মতমদুদা তমেংলোং দিষ্ট্রিক্তকী দি সি ওইরম্বা এমষ্ট্রোং পামেনা অতোপ্পা মীওই অনীদা রেলৱে কম্পেন্সেসন অসিগী লুপা ক্রোর ৩৭ পীথোক্তুনা লৈরম্বনি।

মহাক্কী অসিগুম্বা থৌওং অসিগীদমক মহাক্কী মথক্তা প্রোসিক্যুসন কেসসু চখদুনা লৈরিবনি। লোয়ননা কুমজা ২০১৮ গী জুলাইদা মহাক ট্রান্সফর তৌখিবনি। কেস চখদুনা লৈরিঙৈ চৈরক অসিদা হৌখিবা থা অসিগী ১৯ দা ওর্দর অমা থোক্তুনা এমষ্ট্রোং পামেবু তমেংলোং দিষ্ট্রিক্তকী দি সি ওইনা অমুক লাকখিবনি হায়না মরাল শীখি। লাক্কদৌরিবা সেপ্টেম্বর ২ ফাওবগী মনুংদা এমষ্ট্রোং পামেবু অমুক হন্না ট্রান্সফর তৌখিনবা লৈঙাক্না ওর্দর অমা থোক্তবা তারবদি রেলৱেগী থবক থিংবনচিংবা খোঙজং কয়া চঙশিল্লগনি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

# মণিপুর ঈকং থোক্লে হায়না ষ্টেট কেবিনেটনা ...

*লমায় ১গী মখা...* খরমখৈ মায়োক্নরি হায়রি। ষ্টেট অসিদা ইকং থোক্লে হায়না লাওথোক্লবা মতুংদা রিলিফ এন্দ দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট দিপার্টমেন্টনা ইন্দিয়া লৈঙাক্তা মেমোরেন্দম অমা চয়োল অমগী মনুংদা থারগনি লোয়ননা মদুগী তুংদা ইন্দিয়া লৈঙাক্না মসি ভেরিফিকেসন তৌনবগীদমক ইন্টর মিনিষ্ট্রিয়েল টিম অমা থারক্কদৌরিবনি।

ঙসিগী কেবিনেট মীফম অদুদা দিপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর ৱাই জয়কুমার, হেল্থ মিনিষ্টর এল জয়ন্তকুমার, এগ্রিকলচর মিনিষ্টর ভি হঙ্খানলিয়ান, ত্রাইবেল এফেয়ার্স মিনিষ্টর এন কায়িসি, ফোরেষ্ট মিনিষ্টর টি ঐচ শ্যামকুমার, এদুকেসন মিনিষ্টর টি ঐচ রাধেশ্যাম অমসুং সি এ এফ এন্দ পি দি মিনিষ্টর কে শ্যাম, চীফ সেক্রেটরী ডা. জে সুরেসবাবু অমদি ওফিসিয়েলশিংনা শরুক য়াখি।

ঙসিগী কেবিনেট মীফম অদুগী মাঙওইননা চীফ মিনিষ্টরগী কেবিনেট হোলদা চীফ মিনিষ্টরনা চেয়োর লৌদুনা পাঙথোকখিবা ইকংগী মতাংদা খন্নবা মীফম অমদা রুলিং অমসুং ওপোজিসনগী এম এল এ কয়াসু শরুক য়াখি। লোয়ননা চীফ সেক্রেটরি, দিপ্যুটি কম্মিস্নরশিং, ভি সি সি এ য়ু, ফাইনান্স, প্লানিং, এগ্রিকলচরগী এদমিনিষ্ট্রেটিভ সেক্রেটরিশিং অমসুং আই সি এ আর অমসুং অতৈ দিপার্টমেন্টশিংগী ওফিসিয়েলশিংসু শরুক য়াখি।

মীফম অদুদা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা হন্দক চহীগী নোংজুগী তাং অসি রিভিয়ু তৌবগা লোয়ননা ক্রোপ কন্দিসন অমসুং ৱাটর রিজার্ভর ষ্টেটসসু রিভিয়ু তৌখি।

মীফম অদুদা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা হায়, চৎলিবা চহী অসিগী নোংজুগী চাং, মফম কন্দায় কন্দায়দা লৌ পানবা য়াদবগে, মফম কন্দায়দনা লৌ খরা খরা পান্নরি হায়বগী সর্ভে অমা দিপ্যুটি কম্মিস্নরশিংনা চখবা লোইখ্রবনি।

ঙসিগী মীফম অসি মপুং ওইনা লৈরিবা কন্সটিট্যুয়েন্সিশিংগী এম এল এশিংগী এরিয়াদা চিংখ নান্থহৌবা মফমশিং লৈরিব্রা হায়বদু খঙদোক্লগা ইকং থোক্লে হায়না লাওথোক্ত্রিঙৈদা হাপচিলহৌনবা কৌবনি হায়খি।

চৎলিবা চহী অসিগী ওইনা নোংজুগী চাং অসি চাদ ৬০ দগী হেন্না ৱাৎনা চুরি। মার্সেকনা সেটিলাইট দাটাগী মতেং লৌরগা অশংবা মফমশিং য়েংশিল্লি। দি সিশিংনা রেভিন্যু অমসুং এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টকী ষ্টাফশিংগী মতেং লৌরগা গ্রাউন্দ সর্ভে চখবনি। লোয়ননা ষ্টেট অসি ইকংগী অৱাবা মায়োক্নরে হায়না লাওথোক্লবগী থবক অসি লৌখৎলকখিবনি হায়রি।

# এম পি রঞ্জননা গৌরিয়া ধর্ম্মবু হুন্দুনা ঙাংবদা পেন্দবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ৩১ (এস এন এস)ঃ হৌখিবা ওগষ্ট ২৯ দা কংলাদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা এম পি ডা. রঞ্জননা ধর্ম্ম অমবু লান্না উহন্নবা মওংদা ঙাংখিববু ওল মণিপুর ধর্ম্ম রক্ষা সমিতিনা থম্মোই শোক্না নুংঙাইতবা ফোঙদোরক্লি।

সমিটি অসিনা থোকপা চেরোল অমগী মতুং ইন্না নুমিৎ অদুদা এম পি রঞ্জননা ইপা ইপু হাক্তগী চৎনরক্লবা গৌরিয়া ধর্ম্মনা লমদম অসিগী মীওইশিংবু অনম অহা চুহল্লে হায়না ফোঙদোক্লি হায়রি।

দিমোক্রেসি চৎপা লৈবাক অমদা মানা মানা পামজবা ধর্ম্ম চৎচবদা কাংলূ প মশেল নুংশিনদবা য়াবা ৱাফম ফোঙদোকখিবা অদুগীদমক ডা. রঞ্জননা শেংদোক্কদৌবনি হায়রি।

হিন্দু ধর্ম্মনা চহী কয়াদগী মণিপুরগী নাৎ অমদি কলচরবু ঙাক শেন্দুনা থম্লকপদু করিসু লৈতনা খনবা করেম কথাইনবা মওং অদুনা খুন্নাই অসিবু মচেৎ মচেৎ তাহন্নবা শিল্লে হায়না ধর্ম্ম রক্ষা সমিতিগী চেরোল অদুনা অরোইবদা ফোঙদোক্লি।

# জে এ সি: পুলিসনা তান্নবা লেপ্পু, মৈহৌ লাংপোক...

*লমায় ১গী মখা...* মশিং য়াম্লবা পুলিস পার্সোনেলশিং ঙসি অয়ুক লাক্তুনা থাংমৈবন্দগী তোঙান তোঙানবা য়ুমশিংদা চং চংদুনা জে এ সিগী থৌমী অমদি বেবিসনাগী মপা ফানবা হোৎনবা থৌওং অসি থম্মোই শোক্না য়ানিংদে। থৌওং অসিনা থাংমৈবন্দগী মীয়ামদা অকি তুজুংদা পোক্নরে।

পুলিসকী থৌওং অসিনা মরম ওইরগা লৈখিদ্রবী বেবিসনাগী ইমুং মনুংগী মীওইশিং য়ুমদা লৈবা কিরে হায়দুনা য়ুম শো লোনশিল্লন্নগা চেন–খ্র। পুলিসনা কোইতান তান্নদুনা জে এ সিগী থৌমীশিং ফানবা হোৎনবা অসি লেপ্পগনি হায়না চিফ মিনিষ্টরনা এসেমব্লিদা ফোঙদোকখিবা লৈখ্রবনি। অদুবু লেপ্তুনা পুলিসনা চথরক্লিবা থৌওং অসিনা মীয়ামদা অকি তুজুংবা পিরগা অচুম্বদু নাথৈনবা হোৎনরিবরা। মীশি অসিগী অচুম্বা ফংদ্রিফাওবা চংশিনখিবা খোঙজংদি হনবা লৈরোই। জে এ সিগী থৌমী ফারগা অমদি লৈখিদ্রবী বেবিসনাগী মপা ফারগা চঙশিল্লিবা খোঙজং অসি হন্দোক্কদবা নত্তে। মীয়ামদা অচুম্বা ফংহল্লবা কান্দা খোঙজং অসি হন্দোক্কনি।

পুলিসনা থাংমৈবন্দগী লৈকাই খুদিংদা চংদুনা কোইথি থিবগী থবক অসি খুদক্তা লেপকদবনি হায়খি।

অমরোমদা, মণিপুর লৈঙাক্না জে এ সিগী মীওইশিং কৌদুনা ৱারোইশিন পুরক্লবা হোৎনবগী মহুত্তা জে এ সিগী থৌমীশিংবু ফাজিনবা অমদি কোইতান তান্নদুনা ফানবা হোৎনরিবা অসি খুদক্তা লেপ্পু। মীয়াম্বু অকি অখং নংহন্নবা অসিনা অফবা পুরকপগী মহুত্তা মৈহৌ লাংপোক থোকহন্নবা শিনবা থৌওং ওইনা থোক্কনি হায়না জে এ সিগী চেরোলনা হায়রি।

জে এ সিনা তাল্লিবা দিমান্দশিং লৈঙাক্না পীথোকপিদুনা ৱারোইশিন পুরক্তুনা লৈবাক অসি শান্তি ওইহল্লু। জে এ সিনা মণিপুর মীয়ামদা লাওথোকখিবা খোঙজং হন্দোকপা লৈতে। লাওথোকখিবা খোঙজং অদুবু মীয়াম্না শৌগৎপিদুনা মপুং ফাহনবিয়ু হায়না চেরোল অদুনা মখা তানা হায়খি।

# সি এম: এন ই সমিটতা মণিপুরদসু এন আর সি চৎনহন্নবা ...

*লমায় ১গী মখা...* গ্লোবেল ৱার্মিংগী চৈথেং ফংলিবসি মমাঙ–মমাঙদা ঐখোয়না চেকশিনহৌদবগী মহয়নি। ঙসিগী মীরোল অসিনা গ্লোবেল ৱার্মিংদগী লাপথোক্লবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎহৌদবা তারবদি ফংলিবা চৈথেং অসিদগী হেন্না ফংলকপা য়াই। থৱায় পানবা জীব ফাওবা হিংবা ঙম্লক্তবা য়াই। মসিগীদমক মখোঙদগী হৌনা মীপূম খুদিংমক্তা এৱার্নেস পীবা মথৌ তাই হায়বা ৱাখল্লোন অসিদা স্কুল স্কুলশিংদা ইকো ক্লবশিং হাংহন্দুনা এৱার্নেস পীনবা হোৎনরি।

মহাক্না হায়খি, ঐখোয়না ঙসি শোয়রিবসি থবক অমা তৌবা মতমদা থৱায় য়াওনা তৌদবননি। থৱায় য়াওনা হোৎনরবদি ঐখোয়গী তুংগী পুন্সি কনবা ঙমগনি। মমাঙ–মমাঙদা শোয়খ্রবসু ঙসিগী মীরোল অসিনদি শোয়দনবা হোৎনসি। ঙসি খুন্নাই অসিনা শোখদুনা লৈরিবা অসিসু মমাঙদা সোসিয়েল ইকোনোমিক কাষ্ট সেন্সসকী দাটা খোম্নদা য়াওরিবা ষ্টাফশিংদা থম্মোয় শেংনা থবক তৌদবদগীনি। মখোয়না অশেংবা দাটা লৌবগী মহুৎ টেবেল ৱার্ক তৌখিবনা তশেংনা লৈঙাক্কী খুদোংচাবা ফংগদবা ইমুং কয়া শোখদুনা লৈরিবনি। হন্দক্কীসু ইকোনোমিক সেন্সস হৌখ্রে। ষ্টাফশিংনা সর্ভে তৌবা মতমদা থম্মোয় শেংনা থবক তৌবীদুনা অশেংবা দাটা লৌবীয়ু। অরানবা তৌরম্বশিং লৈঙাক্না লেন্না থারোই হায়খি।

মহাক্না মখা তানা হায়, মণিপুর অসি পোলুসনদগী লাপথোক্লবা লৈঙাক্না থবক থৌরম কয়া অমা পায়খৎলে। মসিগী মনুংদা দিজল ওটোগী লাইসেন্স পীবা থিংদুনা য়ারিবমখৈ ইলেক্ট্রিক্না ওপরেট তৌবা রিক্সোশিং চল্লাইনবা চঙশিল্লি। ইম্ফাল মনুংদা চেল্লিবা তুরেলশিং অসুক্কী মতীক মোৎশিল্লক্লি। মসিদগী ঙাকথোক্নবা লৈঙাক অসিনা লুপা ক্রোর ১০০ চঙনা নম্বুল রিভর রিজুবিনেসন হৌখ্রে। তুরেল অসি মপূং ফনা রিজুবিনেসন তৌবা মতমদা লুপা ক্রোর ৫০০ রোম চঙগনি। নম্বুল তুরেলগী লেমহৌরিবা শরুকশিং অমসুং ইম্ফাল মনুংদা অতোপ্পা তুরেলশিং অসিগীসু রিজুবিনেসনগী থবক হৌননবা মিনিষ্ট্রিদা তকশিল্লি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখবা মণিপুর লৈঙাক্কী এদুকেসন মিনিষ্টর রাধেশ্যামনা হায়খি, মীওইবনা অকোয়বগী ফীভমগা অফবা মরী লৈবা হায়বসি য়ান্নমক মরু ওই। অকোয়বগী ফীভমদা মীওইবনা অকায়বা পীবগী মহয়না ঙসি ঐখোয়না গ্লোবেল ৱার্মিংগী চৈথেং ফংলিবনি। অসিগুম্বা চৈথেং অসি ফংদনবগীদমক অমদি অকোয়বগী ফীভমদা মীওইবনা অকায়বা পীবা থিংননবা মীপূম খুদিংমক্তা এৱার্নেস পীবা মথৌ তাই।

লমদম অসিদা লৈরিবা মহৈরোই খুদিংমক্তা উ–ৱানা মীওইবদা কান্নবা কয়াম পীবগে হায়বসি খঙহন্দুনা অকোয়বগী ফীভমবু নীংথিনা ঙাক–শেন্দুনা থম্বা মথৌ তাই। অকোয়বগী ফীভম নীংথিনা ঙাক–শেন্দুনা থন্নবা মতমদতা মালেম অসি অকোয়বগী ফীভমগা অফবা মরী লৈবা ঙমগনি অমসুং গ্লোবেল ৱার্মিংগী চৈথেংদগী ঙাকথোকপা ঙম্লগনি হায়নসু মহাক্না মখা তাখি।

থৌরম অদুগী শরুক অমা ওইনা ষ্টেট অসিগী দিষ্ট্রিক্ট খুদিংমক্তা লৈবা ইকো ক্লব স্কুল ৩০৮০ দা চীফ মিনিষ্টরনা লুপা ক্রোর ১.৫৪ দিষ্ট্রিক্ট দিষ্ট্রিক্টশিং অদুগী দি সিশিংগী খুত্থাংদা য়েন্থোকখি। লোয়ননা থৌরম অদুগা মরী লৈননা নাদুনা লৈরিবা ভেটরান জর্নেলিষ্ট এন দেবেনদা লুপা ৫০,০০০ গী শেলগী মতেং পীখি। শেনফম অদু আই এস টি ভি ন্যুজকী জোইন্ট এডিটর রিচার্দ রঞ্জনদা খূৎশিন্নখি।

থৌরম অদুদা মণিপুর পোলুসন কন্ট্রোল বোর্দকী চেয়ার্মেন এল রাধাকেশ্বর, ফোরেষ্ট এন্দ ইনভাইরোনমেন্ট মিনিষ্টর টিঐচ শ্যামকুমার, ট্রাইবেল এফিয়ার্স এন্দ হিলস এন কায়ীসি, মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লি দিপ্যুটি স্পিকর কে রোবিন্দ্রো অমসুং এদিস্নেল চীফ সেক্রেটরী (ফোরেষ্ট এন্দ ইনভাইরোনমেন্ট) ডা. সুহেল অখটারসু শরুক য়াখি।

## লম্বী থোংগী ফিভম য়েংশিনখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ৩১ (এস এন এস)ঃ কুম্বী কেন্দ্রগী মনুংদা লৈবা ফৌজা ইখাই বাজারদগী কুম্বী লাই শন্দোং তাবা কিলোমিটর ৫ শাংবা লম্বী অসিগী ফিভম ফৎতবা মায়োক্তা লমদম অদোমগী প্রজা মীয়ামগী ইহৌ লাকখ্রবা মতুং ঙসি কেন্দ্র অসিগী এম এল এ, এস বীর অমদি বিষ্ণুপুর পি দব্লিউ দি গী ওফিসিয়েলশিং য়াওনা হকথেংননা য়েংশিনখ্রে।

খোঙচৎ অদুগা মরী লৈননা এম এল এ না পাউমীশিংদা ফোঙদোকখিবদা, ফৌজা ইখাইদগী কুম্বী লাই শন্দোং তারিবা লম্বী অসি ট্রান্স হায়ৱে মিজোরামদগী মোরে তাখিনবগী শম্নবা মরু ওইবা দাইভরসন লম্বীনি। লোয়ননা কেন্দ্র অসিগীসু লম্বী অসিনা নোংমগী চৎতবা য়াদ্রবা লম্বী ওইরিবনি। মসিগীদমক লোকেল এরিয়া দিভলপমেন্ট ফন্দগী মখাদা হঞ্জিন হঞ্জিন শেমখ্রে। অদুবু মপুং ফানা কিলোমিটর ৫ শাংবা লম্বী অসি শেম্বা ঙমদ্রি। মসিগীদমক সেন্ট্রেল বোর্দ ফন্দ ২০১৮–১৯ গী মখাদা সেন্টরদা প্রপোজ তৌদুনা লম্বী অসি শেম্নবা হায়রুবদসু ফন্দ পীরক্তবদগী লম্বী অসি মপুং ফানা শেম্বা ঙমদবনি। মরম অসিনা ষ্টেট ফন্দদা নম্বর ৫০৫৪ অমদি ৩০৫৪ অসি মণিপুর লৈঙাক্তা প্রপোজ তৌখ্রে। মসিগী মাঙওইননা মহাক্কী মায়কৈদগী শেম্বসু হৌরগনি। মীয়াম্না মতম খজিক্তং খাঙবিয়ু হায়না ফোঙদোকখি।

য়েংশিন খোঙচৎ অদুদা পি দব্লিউ দি বিষ্ণুপুর দিভিজনগী ই ই, টি ঐচ রঞ্জিৎ, এ ই, টি ঐচ শান্তি অমদি লমদম অদোমগী মীয়ামসু শরুক য়াখি।

## ইন্টর্নেসনেল ওভরদোজ দে এৱার্নেস পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ৩১ (এস এন এস)ঃ সোসিয়েল এৱার্নেস সার্ভিস ওর্গনাইজেসন (সাসো) না শীন্দুনা ইন্টর্নেসনেল ওভরদোজ এৱার্নেস দেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

ইম্ফাল ইষ্ট দি সি গী পঞ্চায়ট ভাবন্দা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা অথোইবা মীথংলেন ওইখিবা ইম্ফাল ইষ্টকী এ দি এম, শামিন অহম্মদ শেখনা হায়খিবদা, ড্রগ ওভরদোজনা মরম ওইরগা লৈখিদ্রবশিংবু নীংশিংবা ওইনা নুমিৎ অসি মালেম পূম্বদা পালন তৌরি। হক্চাংদা অনা অয়েক য়াওরকপা মতমদা ফনবা শিজিন্নরিবা ড্রগশিংবু লান্না অমদি দোজ হেন্না শিজিন্নবদগী ড্রগ এদিক্ট অমদি ওভরদোজকী ৱাফম অসি লাকপনি হায়খি।

ময়াই কাবা নিশা ওইনা শিজিন্নরিবা ড্রগকী পোৎলম কয়া ষ্টেট অসিদা মরাং কায়না ফঙদুনা শিজিন্নবগী চাং নোংমা নোংমগী হেনগৎলক্লি। দাক্তরগী অয়াবা য়াওদনা হিদাক লৈবগা য়াহনবগী চৎনবী অমা লৈরবা মতমদা ড্রগ লান্না শিজিন্নবগী চাং খরৈখেদি হম্বরক্কনি খল্লি। কনাগুম্বা মীওই অমবু ওভরদোজ নৎত্রগা ড্রগ এদিক্ট ওইখিবদগী কন্নবা হোৎনবদা মীপুম খুদিংমক্কী অচৌবা থৌদাং লৈ হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

মেক্সকী জোইন্ট দাইরেক্তর অভিরাম মোংজম্না থৌরম মপু ওইনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা ইম্ফাল ইষ্টকী সি এম ও, ডা. কে ঐচ ইন্দিরাসু শরুক য়াখি।

## ড্রগ অমদি চুরুপ ...

*লমায় ১গী মখা* লুংখোঙম হাওকিপ কৌই। কাংপোকপি দিষ্ট্রিক্তকী মনুং চনবা মোটবুংগী খোলেপ ভিল্লেজদা মনাক্তা লৈবা লিহনৈকিম কৌবা নুপী অমগী মপুরোইবনি হায়রি। মঙোনদগী ফারবা ব্রাউন শুগর অদু মালেমগী কৈথেলদা লুপা ক্রোর ৫.১৪গী মমল ওইগনি হায়রি। মীওই অদু ড্রগকা কোন্ননা মোরে পুলিস ষ্টেসনদা শিন্নখ্রে হায়রি।

অমরোমদা থা অসিগী ২৯গী নুমীদাং পুং ৮ রোম তাবা মতমদা তমেংলোং দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা লুপা ২,৮১,৪৮,১৮৬ কী ওইগদবা ফোরেনদা শাবা চুরুপ দি আই জেনোন লোদ অমগা কোন্না মীওই অনী ফারগা কষ্টম দিভিজন ইম্ফালদা খূৎশিন্নরকখ্রে হায়রি। ফারবা মীওই অনী অদুগী মথক্তা কষ্টম এক্ট ১৯৬২গী মখাদা কেস অমা লৌখত্তুনা থিগৎনা হৌরে হায়রি।